ওল ইন্দিয়া ফুটবোল এসোসিএসননা ফিফা য়ু-১৭ ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ ভাবোক য়াওদনা শান্নবা ইঙ্গিৎ পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৩ (এজেন্সী): চহীসিগী নবেম্বর থাদগী হৌরগা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা নুপীগী চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা কুমজা ২০২১গী ফেব্রুৱারী ১৭তগী মার্চ ৭ ফাওবা পাঙথোক্লনবা য়ৈথোকখিবা মতম অদু ফিভমনা য়ারক্তুবদি ভাবোক য়াওদবা ষ্টেদিয়মশিংদা শান্নবগীদমক ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ইঙ্গিৎ পীখ্রে।

কুমজা ২০১৭তা ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিগী ফুটবোলগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লুপ ওইরিবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী লমজিং মখাদা মায় পাক্লা নুপাগী চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট য়ুম্বু ওইখ্রবনি।

মদুগী মতুংদা ফিফাগী মায়কৈদগী ইন্দিয়াগী ফুটবোলনা থৱায় য়াওবা অমদি মশান্না অসি চাওখৎনবগী লৌখৎলকপা খোঙথাংশিং অদুবু শীংথারদুনা চৎলিবা চহী ২০২০গী ওইনা নুপীগী চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপকী য়ুম্বু ওইনবগী অয়াবা পীখ্রবনি।

মালেম শীনবা থুংদা চহীসিগী মচকী ময়াই চনশিল্লকপদা চাইনাদগী নৌনা শেমদোকখ্রবা নুপীগী চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপকী মেচশিং অদু পাঙথোক্লনবা শীনখ্রবসু য়ারক্তুবদি মেচ শান্নগদবা ষ্টেদিয়মশিং অদুদা ভাবোক অমত্তা য়াওদনা শান্নবগী অরোইবা খোঙথাং ওইনা শেম শন্দোরকখিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা শান্নবগী হীরম খুদিংমক লেপ্তুনা লৈখি। লৈবাক খরদা মীরমগী টিম য়াওদনা পাঙথোকপা য়াবা টুর্নামেন্টশিং পাঙথোকপা হৌরি। অদুবু চহীসিগী নবেম্বর থাদা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা নুপীগী চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ অদুগী মতম য়ৈথোক্তুনা মথং চহীগী ফেব্রুৱারী ১৭তগী হৌরগা মার্চ ৭ ফাওবা টুর্নামেন্ট অসিগী অনৌবা মতম অমা লেপখিবনি।

মরক অসিদা ইন্দিয়াদা হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী ফিভম অসি য়েংলুবদা অনৌবা লায়না অসি নাবা মীওই কয়া লেপ্তুনা মশিং হেনগৎলকপা মরম ওইরগা কুমজা ২০২১গী ফেব্রুৱারী ১৭তগী মার্চ ৭ ফাওবা শারি হায়রি।

পনবা য়াই, ইন্দিয়াদা ঙসি ফাওবদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা শোকহল্লবা মীওই লাখ ৮ শুখ্রবনি। অদুগা লায়না অসি নাবদগী শিখ্রবা মশিংনা লিশিং ২২ হেনখ্রবনি।

ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী লোকদাউন থা ৩ হেন্না চথুরবা মতুং অনলোককী তাঙ্কক অনী হৌরকখিবগা লোয়নন্না তোঙান-তোঙানবা হীরম কয়াদা কোমথোকপা হৌরকপগা ইরোইনন্না শান্নবগী হীরম খরদসু ট্রেনিং চথুবা য়াবগী অয়াবা পীখ্রবনি। অদুবু মরু ওইনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস ২০২১গী ক্বালিফাই ওইখ্রবা এলিট এথলেটশিংগী ওইবা কেম্পশিং পাঙথোকপা হৌখ্রবা মতুং অতোপ্পা ইন্টর্নেসনল টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়ানবগী শেম শারিবা টিমশিংগী ট্রেনিং কেম্পশিং নৌনা লাউথোকখিবা মতম অদু য়ৈথোকপা কয়া অমা য়াওরক্লি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট কুসল দাসনা ঙসি বেঙ্গোল চেম্বর ওফ কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ওনলাইন কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা চহী ১৭ মখাগী নুপীগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ য়ুম্বু ওইবগী খুদোংচাবা ফংলিবা অসি করিগুম্বা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিগী হৌজিক লৈবাক অসিদা লৈরিবা ফিভম অসিনা য়ারক্তুবসু খ্বাইদগী অরোইবা লম্বেল ওইনা ভাবোক য়াওদবা ষ্টেদিয়মশিংদা ৱর্ল্ড কপকী মেচশিং অদু শান্নবগী খোঙথাং লৈরি।

মরক অসিদা টুর্নামেন্টশিং অসিগী ওগষ্ট থাদগী হৌগনি হায়না তৌরম্বা কেম্প অদু মমাঙদা গোৱানা য়ুম্বু ওইগনি হায়না তৌরম্বা অদু ষ্টেট অদুগী মায়কৈদগী লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা পাঙথোকপা ঙম্লোইদবগী ফিভম লৈরবদি ঝরখন্দ ষ্টেটকী মায়কৈদগী য়ুম্বু ওইবা য়াবগী ফিভমশিং শেমদুনা লৈ হায়না ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর হিমত সোরেননা ফোঙদোরকখি। ঝরখন্দগী ওইনা লৈবাক অদুগী কোভিদ-১৯গী গাইদলাইনশিং চেকশিন্না লৌখৎপা মরম্না গোৱাগী মহুৎতা মখোয়দা ট্রেনিং কেম্প পাঙথোকহনবা য়াবাগী তাঞ্জা অমা লৈরি।

গোৱাগী ফুটবোল কেম্প য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরী এল জ্যোতিরমোই রোইনা থাদোরকপা ঙসিগী মেমোরেন্দম অমদা গোৱাদা পাঙথোক্কনি হায়না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা শীল্লম্বা নুপাগী চহী ১৬ মখাগী শান্নরোয়শিং অমদি নুপীগী চহী ১৭ মখাগী শান্নরোয়শিংগী নেসনল ফুটবোল কেম্প অদু মখা তাবা ওর্দর অমা লাক্লিবা ফাওবা য়ৈথোক্লে হায়না খঙহল্লক্লি।

গুজরাথিনা ওনলাইন চেছ ওলম্পিয়াদ লুচিংগদৌরি

চেন্নাই, জুলাই ১৩ (এজেন্সী): থা অসিগী ২২দগী হৌগদৌরিবা ওনলাইন চেছ ওলিম্পিয়াদতা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী টিমগী কেম্পগী থৌদাং অদু গ্রান্দমাষ্টর ভিদিত সন্তোস গুজরাথিনা কেপ্টেন ওইদুনা লুচিংগদৌরি।

ইন্দিয়াগী নম্বর ২ শান্নরোয় ওইরিবা গ্রান্দমাষ্টর গুজারাথিবু ওনলাইন চেছ ওলিম্পিয়াদ ২০২০দা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী টিম কেপ্টেন ওইনবগীদমক্তা ওল ইন্দিয়া চেছ ফেদরেসন সেলেক্সন কম্মিতিগী প্রসিদেন্ট পি আর ভেঙ্কতরামা রাজা, ওনোরেরি সেক্রেটরী বিজয় দেশপান্দে অমদি লৈবাক অসিগী নম্বর চেছ শান্নরোয় ওইরিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবা গ্রান্দমাষ্টর বিশ্বানাথন অনন্দগা পুন্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা লাউথোকখিবনি।

টিম অদুদা শরুক য়ারিবা অতোপ্পা শান্নরোয়শিং অদুদি নুপাগী ওইনা পেন্তালা হরিকৃষ্ণ, বিশ্বানাথন অনন্দ অমসুং অরাভিন চিতম্বরম (রিজার্ব)নি।

নুপীগীদা কোনেরু হম্পি, দ্রোনাভালি হরিকা ভক্তি কুলকরনি অমসুং আর ভৈসালি (রিজার্ব)নি। অদুগা জুনিয়র বোইজতা নিহাল সরিন অমসুং প্রগনন্ধা (রিজার্ব) লোয়নন্না নুপীমচাগীদা দিভিয়া দেসমুখ অমসুং ভি অগরৱাল (রিজার্ব)নি।

‘জেন্দর ইক্বেলিটিদা মীৎয়েং থম্লি, নুপীগী ওইনা চাদা ৩০ রিপ্রজেন্টেসন পাম্লি’

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৩ (এজেন্সী): ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসন (আই ও এ)গী মায়কৈদগী ফোঙদোকখিবদা জেন্দর ইক্বেলিটি (নুপা অমসুং নুপীগী লেং মান্নবা)গী মায়কৈদা পুক্নিং চংশিল্লি। লোয়নন্না স্পোর্টস ওর্গনাইজেসন খুদিংমক্তা নুপী শান্নরোয় চাদা ৩০ য়াওহনবগী অপাম্বা আই ও এগী সেক্রেটরী জেনরেলনা ফোঙদোরকখ্রে।

ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী সেক্রেটরী জেনরেল রজিব মেহতানা এসোসিএসন অসিগী ওফিসলশিংদা ইখিবা চেরোল অমদা ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক কম্মিতি (আই ও সী)গী মায়কৈদগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী ওলিম্পিক কম্মিতিদা জেন্দর ইক্বেলিটি ঙাক্লা চৎননবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকখিবা অদুগা মরী লৈননা য়ামদ্রবদা নুপী শান্নরোয়শিংগী ওইনা লৈরিবা স্পোর্টস দিসিপ্লিনশিংগী ওর্গনাইজরশিংনা চাদা ৩০ য়াওহন্নবগী ওলিম্পিক মুভমেন্ট অমা লাক্লিব অসিদা অকনবা মীৎয়েং চংলক্লি।

আই ও এগী সেক্রেটরী জেনরেল রজিব মেহতানা ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী ওফিসলশিংদা ইখিবা মমাঙ চহীগী জুলাই ১৫গী চেরোল অমদা ফোঙদোকখিবদা এসোসিএসন অসিগী এগজিক্যুটিভ কাউন্সিলগী মেম্বরশিংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমদা স্পোর্টস ওর্গনাইজেসনশিংদা চাদা ৩০দি নুপীগী রিপ্রজেন্টেটিভ ওইহনবগী ৱাফম থাঙ্গৎখ্রবনি। মদুগী মতুং ইন্না ইন্দিয়াদা লৈরিবা নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনশিংগী রিপ্রজেন্টেটিভ অহুম লৈবগী মনুংদা নুপী অমা য়াওহনবা পাম্বগী ৱারোল ফোঙদোকখ্রবনি।

করিগুম্বা ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী এগজিক্যুটিভ কাউন্সিলগী মেম্বরশিংনা মহাক্না ইখিবা ৱারোল অদুদা থবক পায়খৎপা হৌরবদি ইন্দিয়া লৈবাক্কী ওইনা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস দিসিপ্লিনশিংগী মায়কৈদগী নুপী রিপ্রজেন্টেটিভ য়াওরকপা মরম্না ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক কাউন্সিলগী মায়কৈদগী থম্লকখিবা জেন্দর ইক্বেলিটিগী ৱারোলশিং অদু থবক ওইনা ওন্থোকপদা মায় পাক্কনি হায়খি।

ইন্দিয়াগী ওইনা শান্নবগী হীরমদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস দিসিপ্লিনশিংগী নেসনল ফেদরেসনশিংনা পায়খৎলিবা নুপী মেম্বর চাদা ৩০ মীহুৎ ওইবগী লৌখৎলিবা খোঙথাং অসি মায় পাক্লনবগীদমক্তা অনৌবা দেটা অমা শেমগৎলি। হায়রিবা দেটা অসিনা মপুং ফানা লোইশিল্লবা মতুং ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী ওইনদি আই ও সীনা পীখিবা নুপীশিংগী ওইবা চাদা ৩০গী মীহুৎশিং শরুক য়াহন্দুনা জেন্দর ইক্বেলিটিগী ৱারেপ অদু ঙাক্লা চৎপা ঙম্লগনি হায়খি।

রজিব মেহতানা মখাতানা ফোঙদোরকপদা ইন্দিয়াগী নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনশিংগী হীরম অসিগী মতাংদা পুক্নিং চংনা থবকশিং লৌখৎলি। হায়রিবা থবকশিং অসি থবক ওইনা পাঙথোকরক্লবদি মালেমগী ওইনা লৈরিবা নুপীশিংনা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস দিসিপ্লিনশিংদা শরুক য়াদুনা ৱারেপ লৌবা ঙম্বগী অচৌবা খুদোংচাবা অমা লৈরগনি হায়খি।

স্পেনিস ফুটবোল লীগ ২০১৯-২০

সিভিলানা মলোর্কাবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে

মাদ্রিদ, জুলাই ১৩ (এজেন্সী): স্পেনগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লা লীগাগী ৩৬শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা সিভিলানা মালোর্কাবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীদুনা টিম অদুনা ৪শুবা পোজিসন কনবা ঙম্লি।

ঙসি অঙনবদা আর সাঞ্চেস পিজৱান ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অদুদা মমাঙদা ৪শুবা থাক্তা লৈখিবা সিভিলানা লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী রেলিগেসন জোনদা লৈরিবা মালোর্কাগা লম্বা তৌনবদা মিনট ৪০ হেনবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। ৪১শুবা মিনটতা সিভিলাগী মায়কৈদগী এল ওকাম্পোসনা মেচকী অহানবা পাঞ্জল চল্লগা মালোর্কাবু মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতম টিম অনীমক পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈরকখি। শান্নবা লোইগদবা মিনট ৬ খক্তা ঙাইরবা মতমদা সিভিলাগী মখা তাবা এটেক অমদা ৱাই বোনৌনা পাস পীরকপা বোল অমদা টিমমেট এন নেস্রিনা সিভিলাগী অনীশুবা পাঞ্জল চল্লগা মেচ অদু থোইদুনা পোইন্ট ৬৬ ফংবগা লোয়নন্না ৩শুবা থাক্তা লৈরিবা এটলেটিকো মাদ্রিদকা পোইন্ট মান্নদুনা গোল দিফরেন্সতা হন্থবদগী ৪শুবা থাক কনবা ঙম্লি।

অহানবা সলাই নোর্থ ইষ্ট ওপন ওনলাইন ব্লিটজ চেছ টুর্নামেন্ট ২০২০গী টাইটল অসামগী দ্রুপর কস্যবনা লৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচ এন এস): ইম্ফালগী উরিপোক হুইদ্রোম লৈকায়দা লৈবা সলাই চেছ একাদেমিগী হেদ কোচ য়াম্বেম ধনবিরগী লমজিং মখাদা ঙরাং পাঙথোকখিবা অহানবা সলাই নোর্থ ইষ্ট ওপন ওনলাইন ব্লিটজ চেছ টুর্নামেন্ট ২০২০দা অসামগী গুৱাহাটিদা লৈবা সরালা বিরলা গ্যান জ্যোতি স্কুলগী দ্রুপর কস্যবনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

অহানবা সলাই নোর্থ ইষ্ট ওপন ওনলাইন ব্লিটজ চেছ টুর্নামেন্ট অসি ঙরাং অয়ুক পুং ১১.৩০দগীনা নুংথিল পুং ১ তাবা ফাওবা লিচেছ প্লেটফোর্মদা শান্নখিবনি। গুৱাহাটিগী দ্রুব কস্যবনা পুন্না পোইন্ট ৪৫ ফংলগা ওপন কেটগরিদা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

ওনলাইন টুর্নামেন্ট অসি গেটগরি ৭ য়াওনা ওপন কেটগরি থারগা পুন্না কেটগরি ৮দা লম্বা তৌনখিবনি। চহী ৭ মখাগী কেটগরিদা মণিপুরগী লাইশ্রম টিদিসন মৈতৈনা অনীশুবা তাখি। কেটগরি অদুমক্তদা অতোপ্পা মণিপুরগী শান্নরোয় লেম্বা শৌগাইজমদা অহুমশুবা তাখি।

চহী ৯ মখাগী কেটগরিদা মণিপুরগী শান্নরোয় থৌদাম দয়ানন্দনা অনীশুবা পোজিসন তাবা ঙমখি। চহী ২৫ মখাগীদা মণিপুরগী শান্নরোয় নাওরেমচা য়োহেনবনা ২শুবা পোজিসন অদুগা কাংলুপ অদুগী ওইনা য়ুমখাইবম বেরিওনিনল অমদি ৱাংলেম্বম লমাক্সনা মথং শীৎনা ৪শুবা অমদি ৫শুবা পোজিসন তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওপন কেটগরিদা দ্রুপর ক্যাসাবনা মকোক থোংখ্রবা মতুং ব্রিঙ্গিস কলিতানা অনীশুবা, দ্রুব ফুকাননা অহুমশুবা, প্রদ্যুস কিরন বোরগোহেননা মরিশুবা অমসুং অব্রোজোতিনাথনা ৫শুবা তাখি।

চহী ৭কী মখাদা কৃষ্ণনব ত্রিনমোই হজারিকানা অহানবা পোজিসন তাবা ঙখি। চহী ৯ মখাগীদা ভারসিতা সহারিয়ানা মকোক ওইবা ঙমখি। চহী ১১ মখাগীদা হিমানিস শর্ম্মানা চেম্পিয়ন ওইরগা সর্বি চৌধুরিনা অনীশুবা, জোসনব তলুকদারনা অহুমশুবা, অবসিন অবসা জমাননা মরিশুবা অমসুং নালিনখ্যা কস্যবনা মঙাশুবা তাখি।

চহী ১৩ মখাদা তনবির অহমদনা মকোক ওইখি। উনমিলিতা পাথকনা অনীশুবা তাখি। চহী ১৫ মখাগীদা মন্থন কস্যব দত্তনা অহানবা পোজিসন অদুগা অভাস আর সৈক্যানা অনীশুবা তাখি। চহী ১৭ মখাগীদা ত্রিধুমোলোই দাসনা অহানবা পোজিসন ফংখ্রগা চহী ২৫ মখাগীদা নিতিস দাসনা মকোক ওইবা ঙমখি।

শান্নরোয় ৯গী ট্রান্সফর থাগৎলকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মখাদা লৈরিবা এফিলিয়েট তৌরবা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সফরগী ওইনা শান্নরোয় ৯গী এপ্লিকেসন ঙসি থাগৎলকখ্রে হায়না ট্রান্সফর কম্মিতিগী কেনভেনরনা থোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

দি এস এ চুরাচান্দপুরগী লেনলাই ক্লবকী মায়কৈদগী শান্নরোয় ২ বাস্তি কিফোইনগর্গ হাওকিপ অমসুং কেরোলিন লানরোম মাওৱিনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৱাই দল্লীয়ু সী এলদা লাক্লবা থাগৎলকপনি।

ককচিং দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মখাদা লৈবা দল্লীয়ু এফ এগী এম নন্দেশ্বরীনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ক্রিপসা ফুটবোল ক্লবতা য়াওননবা এপ্লাই তৌরকখি। লোয়নন্না ইম্ফাল ইষ্টকী এস এস সী (এস)কী শান্নরোয় ৬ এস মোনিকা, পি এস অসিলা, এস দাইনা, দল্লীয়ু কনচন, এ নিলম অমসুং টি সনাতোম্বীনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এম পি এস সীদা শরুক য়ানবা এপ্লাই তৌরকপনি।

চহীগী মীফম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী ওইবা চহীগী জেনরেল বোদি মীফম মপাল কাংজৈবুংদা লৈবা ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএসনগী হোলদা ওগষ্ট ৮গী অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবা মতমদা পাঙথোক্লগনি হায়না প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

মীফম অদুদা এগজিক্যুটিভ কাউন্সিলগী রিপোর্টশিং, কুমজা ২০১৮-১৯ অমসুং ২০১৯-২০গী ওদিট তৌরবা একাউন্টকী ষ্টেটমেন্টশিং খন্নবা, এন্যুল বজেট য়েংশিনবা অমসুং ২০২০-২৪ ফাওবগী অনৌবা ওফিসকী থৌ পুগদবা মীওইশিং খনগদৌরি।

টিম দোক্তর কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী ইন্দিয়াগী বোক্সিং কেম্প য়ৈথোকপা য়ানা লৈরি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৩ (এজেন্সী): পঞ্জাবকী পাটিয়ালাদা লৈবা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টসতা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী বোক্সরশিংনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস ২০২১গী ক্বালিফাই ওইখ্রবা মতুং কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী কোমথোরকপদগী ট্রেনিং কেম্প পাঙথোক্লনবা শেম শারিবা অসিগী মরক্তা টিম দোক্তর অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী কেম্প অসি য়ৈথোকপা য়ানা লৈরি।

টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর ৯ তোঙান-তোঙানবা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টশিংদা ফজবা ঙমখিবদগী টিকেট ফংদুনা ওলিম্পিক্তা শরুক য়াগদৌরিবনি। অদুবু মখোয়শিং অসিনা ট্রেনিং কেম্প পাঙথোক্কদৌরিবা পাটিয়ালাগী এন আই এসতা কেম্প অদুগী শরুক অমা ওইনা লৈরিবা টিম দোক্তর অনমোল পতিল কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা ঙসি পোজিটিভ ওইরকপদগী ট্রেনিং কেম্প অসি য়ৈথোকপা য়ানা লৈরি।

কেম্প অদু শরুক য়ানবা লৈখিবা বোক্সর ১১ অদু ঙসি পাঙথোকখিবা টেষ্টতা নেগেটিভ ওইখি। অদুবু পোজিটিভ ওইরকখিবা টিম দোক্তর অনমোল পতিলগা পুন্না ক্বারন্টিন ফেসিলিটিদা লৈমিন্নখিবা এসিয়ন গেমস চেম্পিয়ন অমদি ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী সিলভর মেদলিষ্ট অমিত পনঘল অমুক হন্না টেষ্ট তৌগদৌরি।

ফোরেন শান্নরোয় য়াওদ্রবসু ইন্দিয়াগী লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টশিং চথবা পাম্মী : দাস

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৩ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফুটবোল লমগী খ্বাইদগী চাওবা লীগ টুর্নামেন্টকী মেচশিং কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা থা ৩ হেন্না পাঙথোক্ত্রবা মতুং করিগুম্বা এসোসিএসন অসিনা অমদি ইন্দিদয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা অয়াবা পীরক্লবদি টিমশিং অসিদা শরুক য়ারিবা মীরম লৈবাক্কী শান্নরোয়শিং অসি য়াওদনা মখা তানা হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোকপা মথৌ তাই হায়না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরী কুসল দাসনা ফোঙদোকখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি, ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা লৈবাক অসিগী শান্নরোয় খক্তা নত্তনা মীরমগী অফবা শান্নরোয় কয়াসু শরুক য়াদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী মগুন হাপ্লিবনি।

ঙসি বেঙ্গোল চেম্বর ওফ কম্মিতি এন্দ ইন্দষ্ট্রিসনা পাঙথোকখিবা ওনলাইন সেসন অমদা এ আই এফ এফকী জেনরেল সেক্রেটরী কুসল দাসনা মখা তানা হায়খিবদা লীগ অসিদা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী লাক্তুনা ইন্দিয়াগী ক্লবশিংদা শরুক য়াখিবা মপান লমগী শান্নরোয়শিং কোভিদ-১৯গী লোকদাউননা মরম ওইরগা মখোয় মখোয়গী লৈবাকশিংদগী লাকপা য়াদ্রগসু ইন্দিয়াদা লৈরিবা শান্নরোয়শিংনা আই এস এলগী মখা তাবা মেচশিং শান্নবা য়ারি হায়খি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী নেসনল ফুটবোল টিমগী কোচ অফবা অমা লাক্কদৌরিবা চহী ৫ অসিদা খন্নবগী খোঙথাংশিংসু লৌখৎলি। হৌজিক ফাওবদা ক্রোএসিয়াগী আইগোর ষ্টিমেকনা ইন্দিয়াগী চীফ কোচ ওইদুনা লাক্লিবনি।

ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ২০১৯-২০

এফ সী বোর্নমাউথকী মখুৎতা পাঞ্জল ১-৪দা মায়থীবদগী লৈচেষ্টর সিটি ৩শুবা থাক্তা য়ৌরম্বা য়াবা তাঞ্জা মাঙজখ্রে

লন্দন, জুলাই ১৩ (এজেন্সী): ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৩৫শুবা রাউন্দগী মেচশিংগী মনুংদা অমা ওইখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা লৈচেষ্টর সিটিনা এ এফ সী বোর্নমাউথকা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ১-৪দা মায়থীবা নংবদগী লীগ অসিগী ৩শুবা পোজিসনদা লৈরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাঙজখ্রে।

লৈচেষ্টর সিটি মমাঙগী ৩৪ রাউন্দ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৫৯ ফংদুনা ৪শুবা থাক্তা লৈখিবনি। অমরোমদা, ৩৫শুবা রাউন্দ শান্নখ্রবা চেলসিনা পোইন্ট ৬০ ফংলগা ৩শুবা পোজিসনদা লৈখি।

লৈচেষ্টর সিটিনা ঙরাং শান্নখিবা মেচ অদু দ্রো চৎপা নত্রগা মায় পাক্লম্লবদি চেলসিদগী হেল্লগা ৩শুবা পোজিসনদা লৈরম্বা য়াবনি।

ঙরাংগী মেচ অদুগী হৌরকপা ২৩শুবা মিনটতা লৈচেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী জে বার্দিনা অহানবা পাঞ্জল চল্লগা মিনট ৪৫গী হাফ অদু লোইশিনখি।

৬৬শুবা মিনটতা বোর্নমাউথকী মায়কৈদগী জে ষ্টানিস্লাসনা ইক্বেলাইজর চল্লবা মতুং থংনবা মিনটতা টিম অদুমক্কী দি রিকোনা পীরকপা পাস অমদা টিমমেট দি সেলানকেনা পাঞ্জল চন্দুনা ২-১দা মাংজিল থাখি।

শান্নবগী লোইরমদাইদা মখা তানা এটেক চথুবা ঙমখিবা বোর্নমাউথকী মায়কৈদগী জে ইভান্সনা ৮৩ শুবা মিনটতা টিম অদুগী ৩শুবা পাঞ্জল চন্দুনা লৈচেষ্টর সিটিবু হায়গৎলকপা ঙম্লোইদবা মওংদা থমখি। শান্নবগী ৮৭শুবা মিনটতা বোর্নমাউথকী অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা দি সোলনকেনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা লৈচেষ্টর সিটিবু ৪-১দা থোইরগা বোর্নমাউথকী টিম পোইন্ট ৩১ ফংদুনা রেলিগেসন জোনদগী হায়গৎলকপা য়াবগী অচৌবা খুদোংচাবা অমা ফংখ্রে।

ঙরাংগী অতোপ্পা মেচ অমদা অরস্নেলবু টোটেনহাম হোটস্পরনা পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা ৮শুবা পোজিসনদা হায়গৎখি।

টিম ২০গী লম্বাদা ১৯শুবা পোজিসনদা লৈরম্বা এষ্টোন ভিলানা ১৪শুবা পোজিসনদা লৈরিবা খৃষ্টেল পেলেসপু পাঞ্জল ২-০দা থোইবা ঙমখি। অমরোমদা, ৭শুবা পোজিসনদা লৈরম্বা ৱোলবরহেমটন ৱান্দরসনা এভর্টনবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীবদগী ৬শুবা পোজিসনদা হায়গৎপা ঙমখি।

Pos	Team	Pl	W	D	L	GF	GA	GD	Pt
1	Liverpool	35	30	3	2	76	27	49	93
2	Manchester City	35	23	3	9	91	34	57	72
3	Chelsea	35	18	6	11	63	49	14	60
4	Leicester City	35	17	8	10	65	36	29	59
5	Manchester United	34	16	10	8	59	33	26	58
6	Wolverhampton	35	14	13	8	48	37	11	55
7	Sheffield United	35	14	12	9	38	33	5	54
8	Tottenham Hotspur	35	14	10	11	54	45	9	52
9	Arsenal	35	12	14	9	51	44	7	50
10	Burnley	35	14	8	13	39	47	-8	50
11	Everton	35	12	9	14	41	52	-11	45
12	Southampton	34	13	5	16	43	56	-13	44
13	Newcastle United	35	11	10	14	36	52	-16	43
14	Crystal Palace	35	11	9	15	30	45	-15	42
15	Brighton & Hove Albion	35	8	12	15	36	52	-16	36
16	West Ham United	35	9	7	19	44	59	-15	34
17	Watford	35	8	10	17	33	54	-21	34
18	AFC Bournemouth	35	8	7	20	36	60	-24	31
19	Aston Villa	35	8	6	21	38	65	-27	30
20	Norwich City	35	5	6	24	26	67	-41	21

সেরি এ ফুটবোল লীগ ২০১৯-২০

পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখিবদগী নাপোলিনা মিলানদগী পোইন্ট ২ হেনখ্রে

রোম, জুলাই ১৩ (এজেন্সী): সেরি এগী ৩২শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা নাপোলি অমসুং মিলাননা পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখিবদগী মিলানদগী নাপোলিনা মখা তানা পোইন্ট হেল্লগা ৬শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি।

সেরি এগী ওইনা পুন্না রাউন্দ ৩৮ শান্নগদবা অসিগী লম্বদা রাউন্দ ৩২ শান্নবা টিম কয়া য়াওখ্রবা মতুং টিম অনী শান্নগদবা ৱাৎলিবা অসিগী মনুং চন্না টাইটল কয়া লৌবা ঙমখ্রবা জুবেন্টসনা রাউন্দ ৩২দা পোইন্ট ৭৬ ফংদুনা মখোয়গী খ্বাইদগী নক্নবা লম্বা ওইরিবা লাজিওদগী পোইন্ট ৮ হেল্লগা মাংজিল থারগা চৎপা ঙম্লি।

ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা নাপোলি অমসুং মিলানগী মেচ অদুগী অহানবা হাফতা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমমম চন্নবা ঙমখি। অহানবা পাঞ্জল অদু মিলানগী মায়কৈদগী রেবিকনা পীরকপা বোল অমদা ফর্নান্দেজনা পাঞ্জল চল্লগা মাংজিল থাখি।

শান্নবগী ৩৪শুবা মিনটতা নাপোলিগী দি লোরেঞ্জোনা ইক্বেলাইজর অদু ফংখি। ৬০শুবা মিনটতা নাপোলিগী দি মর্টেন্সনা টিমমেট কালিজোনগী বোল অমদা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা নাপোলিনা মিলানবু পাঞ্জল ২-১দা হেন্দুনা লৈখি।

অদুবু মেচকী ৭৩শুবা মিনটতা মিলানগী মায়কৈদগী এফ কেসৈনা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা নাপোলি অমসুং মিলান ২-২দা দ্রো চৎখি।

LOAN AVAILABLE
ONE DAY DELIVERY FOR CLASSIC-350
L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,H.Q
CONTACT No.:- 8731978490/9774495994
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
OFFICE HOUR:
10.00AM TO 4.00PM
BRANCHES:- ,SAMUROU NEAR MACHU HALL,,THOUBAL BRANCH AT KHANGABOK KM BLOOMING SCHOOL OPP., NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU,KAKCHING IRUM LAMDONG,SEKMAI KOUJENGLEIMA.
HL-B/6202/10june to 7 aug.

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com